HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও




লমশাং এ সীগী মনুং চল্লিবা মহারাবিদা লৈবা লৈখিদ্রবা লাইতোঞ্জম তেম্বগী য়ূমদা অমুকোংগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম এম থম্বৌনা লুচিংবা টিমনা অঙাংশিংগী লাইরিক-লাইশ্তুগী মচাকশিং অমসুং ফিরোলশিং তেংবাঙখিবা

ঐখোয়’ ইরক্তা লৈতবা, লৈফম থোকপী মী অমা
☛ লামায় ২

নুপী দিরেক্টরশিংগী দ্রামা ১সুং লীলাগী ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি
☛ লামায় ৩

ৱর্ল্ড হেল্থ দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে
☛ লামায় ৫

লুপা ক্রোর ১.৫ রোমগী সনা ফারে
☛ লামায় ৬

ৱাঙ্খৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবা মায়চৌ তরেংকী শঙলেনদা কাটা অমসুং এম এফ জে সী এনা শীন্দুনা ৱাঙ্খৈগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারবু তরাম্না ওকখিবা




Vol. 46, Issue No. 015 | ইরাই, শজিবুগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, April 08, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Leingakna Petrol amasung dieselgi mamal leptana hengathallakani haibasi thajaba yaba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Numit 100gi manungda thabak 100 pangthokpa ngamgani hairibasi soidana pangthokpa ngamgani thajabra?

Yes 12% No 88%

## অস! লোইরেহে!

- মখোয়না সরকার পায়রগনা ঐখোয়না পোৎ মমল হন্থহল্লু হায়!

- ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ ꯁꯔꯀꯥꯔ ꯄꯥꯏꯔꯒꯅꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯣꯠ ꯃꯃꯜ ꯍꯟꯊꯍꯜꯂꯨ ꯍꯥꯏ!




- ঐখোয়না পায়রগনা মখোয়না...

- ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯒꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯅꯥ...

# য়াইথীবী লৌকোলদা পুলিস অমসুং খুঞ্জাশিং চাউনা মুক্কখ্রে

## নাকল অনীমক্কী মীওই ১০ রোম শোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্না ৪৪-য়াইথীবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবা লৌশিনখিবা লৌফমশিং ফেন্সিং খাজিনবা হৌরকপদা সোরা চীং ৱাংমগী মসজিদ য়াওনা য়ূম কয়া লৌশিন্নবা হোৎনরকই হায়বা ৱাহৌদগী মীয়াম হৌরক্তুনা ঈরাং থোকখ্রে। পুলিসনা মীয়ামগী ঈরাং অদুবু লাকশিন্নবা টিয়র গ্যাস, মোব বোমনচিংবা কাপ্তুনা তানখায়নবা হোৎনবদা মীওই ৪/৫ শোকখ্রে অমসুং মীয়াম্না নাওরি কাপ্লকপা য়াওনা নূঙনা থারকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি অমা য়াওনা পর্সনেল ৩/৪ অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়বদা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরদুনা ৪৪-য়াইথীবী লৌকোলগী সোরা চীং ৱাংমরোম থংবা শরুক্তা থৌবালগী এস দি ওগী মখাদা লৈবা এসিষ্টেন্ট সেট্টলমেন্ট ওফিসর অমা য়াওনা পুলিসকী কাঙবু অমগা লোয়ননা লম ওনবা অমদি জে সী বিশিং শীজিন্নদুনা ফেন্সিং খাজিন্নবা লমখৈ য়াংথোক্লবা লৈবাক কোংথোকপা হৌরকখিবনি হায়রি।

লম ওনবগী থবক অদুদা খুলগী মসজিদ য়াওনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবগী লৌশিনখিবা লমদা য়াওদবা লৌফম কয়া, য়ূম কয়া অমদি মসজিদ অদু য়াওনা লৌশিল্লকপা য়াবগী মওং অমদা চথ্নরকপদগী ককচীং জিলা পরিষদকী উপ অধক্ষ এম দি নজিমউদ্দিন য়াওনা খুঞ্জাশিংনা লম ওনবগী থবক অদু মখা চথ্নবীরকখিনু, মরী লৈনবা মীয়ামগী লুচিংবশিং য়াওদুনা লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিংগা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন অমা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## সী পি আইনা ঙসি প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস): মণিপুরদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং ওইরিবা পেট্রোল, দিজল অমসুং এল পি জিগী মমল লেপ্পা লৈতনা হেনগৎহল্লকপগা লোয়ননা অতৈ পোৎলমশিংগী মমলসু অতিয়া পক্না ৱাংখৎহল্লকপগী মায়োক্তা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু হয়েং নুংথিল পুং ২ তারকপদা বি টি রোদতা লৈবা ইরাবত ভবনদা প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি।

প্রোটেষ্ট অসি থা অমা চূপ্না চথ্নগনি হায়বগা লোয়ননা খোঙজংশিং অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু চথ্নবগীদমক পোরম য়াংথোকপগী মীফম অমা ঙসি ইরাবত ভবনদা পার্টিগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার অমসুং সেক্রেটরিএট মেম্বর এ ললানা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা পার্টিগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নর অমসুং মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সী পি আইগী লোকল কন্সটিট্যুএন্সিশিংদগী লাকপা সেক্রেটরি ৩৯, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি অমসুং ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি। খোঙজং অসি বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা থাও অমসুং গ্যাস য়াওনা অতৈ পোৎলমশিংগী মমল হন্থহন্নবগীদমক চঙশিনগদবনি হায়খি।

HL-B/7536/17 March.to 21 April

# ‘বি জে পিনা মীয়ামদগী খোমগৎপা টেক্স খক্তনা লৈঙাক চলাইনবা হোৎনগনু’



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক হেক লাকপদগী নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মরু ওইবা পোৎলমশিং ওইরিবা থাও, ...মখা লামায় ৩ কলম ২


ꯇꯦꯝ ꯐꯥꯏꯅꯦꯟꯁ
LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN



● Minimum Down Payment
● No Guarantor required
● One Day Delivery
Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur
Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar



Azadi Ka Amrit Mahotsav
Government of India

# পক্কা য়ূমনা লায়রবশিংবু ইকায়খুম্নহল্লি
# পি এম অৱাজ যোজনানা পুন্সিবু লায়না হিংহল্লি




## প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা (রুরেল)
- য়ূম ক্রোর ২.৫২ মপুং ফানা শারে
- হৌজিক ফাওবদা সেন্টরগী মতেং লুপা ক্রোর লাখ ১.৯৫ রিলিজ তৌরে
- পি এম উজ্বালা যোজনাগী মখাদা বেনিফিসরি খুদিংমক্তা গ্যাস কনেক্সন পীরি

## প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা (অর্বান)
- য়ূম লাখ ৫৮ মপুং ফানা শারে
- হৌজিক ফাওবদা সেন্টরগী মতেংনা লুপা ক্রোর লাখ ১.১৮ রিলিজ তৌরে

## পি এম এ ৱাইগী ফিচরশিং
- নুপী মেম্বরবগী মীংদা য়ূমগী ওনরসিপ নৎত্রগা জোইন্ট ওনরসিপ লৈহনবা
- য়ূমথোং খুদিংমক্তা টোইলেট, কিটচন, ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং ঈশিংগী ফেসিলিটি পীবা

“লায়রবশিংবু য়ূম ফংহনবগী মিসন অসি শুপ্নগী গভর্ণমেন্ট স্কিম অমা নত্তে। তৌইগুন্নবসুং মসি লায়রবশিং অমদি খুঙ্গংশিংদা কনফিদেন্স লৈহন্নবগী ঐখোয়গী কম্মিটমেন্টনি। মসি লায়রবশিংবু মখোয়গী অৱাবা ফীভমদগী পুখৎনবগী মায়কৈদা থাংলকপা অহানবা খোঙথাংনি। লায়রবা মীওই অমদা য়ূম ফংহনবা মতমদা মদুনা মখোয়গী পুন্সিদা ষ্টেবিলিটি লাকহল্লি। মসিগী ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা পি এম অৱাজ যোজনাদা টোপ প্রাইওরিটি পীরি।” – নরেন্দ্র মোদি

davp 35101/13/0001/2223